### সব-জুনিয়র নেসনল রুশু চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুরনা গোল্ড ১১, সিলভর ২ লৌখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): হিমাচল প্রদেশনা যূম্বু ওইদুনা বিলাস্পুরগী লুহানা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ২২শুবা সব-জুনিয়র নেসনল রুশু চেম্পিয়নশিপকী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা গোল্ড ১১, সিলভর ৪ পূন্না মেদল ১৫ ফংবা ঙমখ্রে।

মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড ২৫, সিলভর ১৬ অমদি ব্রোঞ্জ ৮ পূন্না মেদল ৪৯ ফংদুনা মেদল টেলিদা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা বৃটেন মংশাতাবম, ৱাংথোই থাংজম , নিখিল নোংমাইথেম অমদি সাপম লনচেনবনা গোল্ড মেদল ২/২ অদুগা খুরাইজম য়াইফবা, লাইতোঞ্জম লিন্থোইঙানবী অমদি পিঙ্কি লৈমপোকপমনা গোল্ড মেদল অমমম্ লৌবা ঙমখি।

বৃটেননা গ্রুপ বি নুপীমচাগী দাওশু অমদি গুনশু ইভেন্টতা, ৱাংথোই থাংজমনা গ্রুপ বি নুপামচাগী দাওশু অমদি গুনশু, নিখিল নোংমাইথেমনা গ্রুপ বি নুপামচাগী জিয়ানশু অমদি কিয়াংশু ইভেন্টতা অদুগা সাপম লনচেনবনা গ্রুপ বি নুপামচাগী নন্দাও অমদি নানগুন ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ২/২ ফংবা ঙমখি।

খুরাইজম য়াইফবা অমদি লাইতোঞ্জম লিন্থোইঙানবীনা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী টাইচিক্কান ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংখি অমদি পিঙ্কি লৈমপোকপমনা গ্রুপ বি নুপীমচাগী জিয়ানশু ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংখি।

জুপিয়র এলাংবমনা গ্রুপ বি নুপামচাগী দাওশু অমদি গুনশু ইভেন্টতা সিলভর মেদল ২ অদুগা অথোইবী নামৈরাকপমনা গ্রুপ বি নুপীমচাগী নানক্কান, দেলিনা পেচিময়ুমনা গ্রুপ বি নুপীমচা দাওশু ইভেন্টতা সিলভর মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখি।

# অনুরাগনা ফিফা য়ু-১৭ ৱর্ল্ড কপ মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা মতেং পীগনি হায়না থাজবা থমখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱিমেন্স য়ু-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসি মায় পাক্লা শীনবা ঙম্নবা লৈঙাক্লা মথৌ তাবা সপোর্টশিং পীগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ফোঙদোরক্লি।

থাজবা অসি স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ইন্দিয়াদা লাক্লম্বা ফিফাগী টুর্নামেন্ট দিরেক্টর জেমি য়াজ 'গা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা উনবা অমদা পীখিবনি। মীটিং অদুদা এ আই এফ এফকী এক্টিং জেনরেল সেক্রেটরি সুনন্দো ধারসু শরুক য়াখি।

টিম ১৬না শরুক য়াগদৌরিবা ফিফা ৱিমেন্স য়ু-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসি ভুবনেশ্বর, মার্গাও অমদি নভি মুম্বাইদা ওক্টোবর ১১দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি।

ফিফাগী টুর্নামেন্ট দিরেক্টর লাক্লম্বা অসি অচৌবা মহৈ য়ানবা অমনি অমদি লৈঙাক্লা টুর্নামেন্টকী মথৌ তাবশিং সপোর্ট পীগনি হায়না অনুরাগনা থাজবা পীরকপা অসিসু অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না ধারনা এ আই এফ এফকী প্রেস রিলিজ অমদা ফোঙদোরক্লি।

য়ার্জা অসি হৌজিক-হৌজিক লেমজনিংঙাই ওইরবা এজ গ্রুপ টুর্নামেন্ট অসিগী শেম শারিবশিংবু য়েংশিন খোঙচৎ ওইনা লাকপনি।

দেলিগেসনশিংনা অনুরাগ থাকুরদা ফিফাগী নৌনা পায়খৎপা অঙাংশিংদা নুংঙাইনা পূন্সিগী স্কিলশিং খঙহনবা হায়বা প্রোগ্রাম 'ফুটবোল ফোর স্কুল'গী মতাংদা ব্রিফিং পীখি।

অমরোমদা, ফিফা অন্দর ১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়াগী টিকেট লোঞ্চ ওগষ্ট ৫দগী তৌবা হৌরগনি। থৌরম অসিদা অনুরাগ থাকুরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারগনি। নুমিৎ অসিদা লৈবাক অসিগী শক্লাইরবা ফুটবোল লিজেন্দশিংগী ওইবা এগজিবিসন মেটচ অমসু পাঙথোক্লগনি হায়রি।

### এম এন সী এ এলিট

# সাইক্লোননা চেম্প রন ১৩২দা থোইখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৬শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদ অমদি দব্লিয়ু রমানন্দ এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দদা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লিবু রন ১৩২দা মায়থীবা পীখ্রে।

সাইক্লোননা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ৫ শান্নবদা ৪ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৮ ফংলগা গ্রুপ বিগী টেবলগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা চেম্প খাগেমপল্লিনা মেটচ ৫ শান্নবদা ২ মায় পাক্লগা ৩ মায়থীদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা টেবলগী ৪শুবা মফমদা লৈরি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা থাংমৈবন্দ টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২০৩ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা খাগেমপল্লিগী বেটসমেনশিংনা ওভর ২৫দা ওল আউট ওইদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা শুপ্নগী রন ৭১ লৌদুনা থাংমৈবন্দ টিমগী মখুৎতা রন ১৩২দা মায়থীখি।

অহানবা ইন্নিংসকী থাংমৈবন্দগী বেটিং তৌবদা কিষন লাইশ্রমনা বোল ১০৫দা রন ৯৮ লৌবা ঙমখি। লোংজম রোনাল্ড মৈতৈনা বোল ১০১দা রন ৪৯ অদুগা বিকাশনা বোল ২১দা রন ৩৭ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা খাগেমপল্লিগী বোলর মোইরাংথেম থোমাসনা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ২ অদুগা মোহমদ অসানুন কবির, লাইরেঞ্জম অঙ্গনা ওভর ৫/৫ অমদি শৌগ্রাকপম শঙ্করনা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা থাংমৈবন্দগী বোলর কিষন লাইশ্রমনা ওভর ৬তা ৱিকেট ৪ অমদি লোকতোংবম সন্তোশনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা থাংমৈবন্দগী ওল রাউন্দর এল কিষননা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ১০৫দা রন ৯৮ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ওভর ৬তা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

# মিষ্টর থৌবাল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা ৭শুবা মিষ্টর থৌবাল অমদি ৪রক শুবা মেন্স ফিটনেস বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০২২ থা অসিগী ৩১দা খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্স খেব চীংদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী সেক্রেটরি নোংলেন সোইবমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা জিমশিংগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৭০০৫৫০৮৯৪৮ দগী পাউ ফাওরক্তুনা খঙলবা য়ারগনি হায়রি।

### অহানবা এম এন সী এ য়ু-১৪ বোইজ টুর্নামেন্ট

# পি সী সীনা পি টি সী সী পাৎসোই মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা পি সী সী গ্রাউন্দ ক্বাকৈথেল ময়াই কোইবীদা চথরিবা অহানবা এম এন সী এ অন্দর-১৪ বোইজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা পি সী সী ময়াইকোইবীনা পি টি সী সী পাৎসোই পার্ট-৩বু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

পাৎসোই টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৯.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৬৬ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা পি সী সীগী বেটসমেনশিংনা ওভর ২২.৫দা ৱিকেট ৩ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা পাৎসোই টিমবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা পি সী সীগী মেক্স ৱারোকপম মৈতৈনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা আউট ওইদনা বোল ৩৫দা থুনা য়াঙনা রন ৯০ লৌবা ঙমখি। অদুগা অহানবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌদুনা বেটিং অমদি বোলিংগী বেষ্ট পর্ফোর্মেন্সশিং পীখিবগা লোয়ননা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

### নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# প্রিয়ানকাগী গোলগী মতেংনা মণিপুরনা মিজোরাম থোইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সাই আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ তাকয়েলদা চথরিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এন প্রিয়ানকানা অথেংবদা চনখিবা গোল ২গী মতেংনা মণিপুরনা সঙাইসনা মিজোরাম ব্লেকবিয়র্সপু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি। প্রিয়ানকানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা মণিপুরগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা মেটচ লোইরমদাইইঞ্জুরি টাইমদা মণিপুরগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি টি রঞ্জিতানা মিজোরামগী ভনলালবু শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সিক্কিম পেন্দাসনা নাগালেন্দ ৱাইল্ড হোগ্‌সপু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

সিক্কিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লক্ষ্মী তমাং, নাওচা, লাকোফুটি অমদি পুস্পারানীনা শান্নবগী ২০, ৩৯, ৫৩, ৫৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। নাগালেন্দগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মাসিখোনুওনা শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা চনখি। মেটচ অসিদা রেফরি রবিচন্দ্রনা নাগালেন্দগী অঞ্জলিবু য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

# নিংথৌজম মোমোন লৈখিদ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): হোক্কী মণিপুরগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইরম্বী নিংথৌজম মোমোন থাংমৈবন্দ হিজম লৈকাইদা লৈবা মশাগী ময়ূমদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈখিদ্রে।

মহাক্না অঙনবা মতমদগী মণিপুরগী নুপী হোক্কী শান্নরোয় অমা ওইনা হৌরকপগা লোয়ননা মণিপুরগী নুপী হোক্কী শান্নরোয়শিংবু শেমগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদা নৎতনা মণিপুর ৱিমেন্স হোক্কী এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টগী থৌসু পুরম্মী।

অমরোমদা, হোক্কী মণিপুরগী সেক্রেটরি টি ঐচ মনিহারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা, মহাক্না লৈখিদবদা হোক্কী মণিপুরগী থৌমীশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবীগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎলক্লি।

# ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা মোরে বট্টালিয়ননা শীন্দুনা মোরেগী ঐচ লাংচম ভিলেজদা লমদম অদোমগী নহাশিংগা লোয়ননা অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা থা অসিগী ১১দা পাঙথোকখ্রে।

মেটচ অসি লমদম অদোমগী নহাশিংদা মখোয়গী টেলেন্টশিং উথোক্লবগী খুদোংচাবা পীবা অমদি টেলেন্ট লৈরবা শান্নরোয়শিংদা মোটিভেসন পীনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। মেটচকী মনুং চন্না নহাশিংদা য়াওজবা স্পোর্টসমেনশিপকী ক্বালিটিশিং উবা ফংই।

# ফুটবোল কোচিং কেম্প হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৮শুবা এন সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২২দা শরুক য়ানবগী শেম শাবা ওইনা সোসল দিভলপমেন্ট ক্লব (এস দি সী)গী থা ১গী ওইবা রেসিদেন্সিএল ফুটবোল কোচিং কেম্প ঙসি হৌদোকখ্রে।

ফুটবোল কোচিং কেম্প অসি ষ্টেন্দর্দ রোবর্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল কাঞ্চিপুরগী ফাউন্দর পি ঐচ লন্ধোনীনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকপনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা পি ঐচ লন্ধোনীনা অথোইবা মীথুংলেন, ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা থৌরম মপূ অদুগা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী সাইন্টিষ্ট খুমন্থেম তোম্বা অমদি ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ সনসম নবজিবন নিংথৌজানা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অহুম শান্নখি। অহানবা মেটচতা এস দি সী অন্দর ১৩ বোইজ শমুরৌ অমদি পি এফ এ অন্দর ১৩ বোইজ থিয়াম, অনীশুবা মেটচতা এস দি সী অন্দর ১৪ বোইজ শমুরৌ অমদি ৱাফা অন্দর ১৪ বোইজ ৱাঙ্গোই অদুগা অহুমশুবা মেটচতা এস দি সী শমুরৌ অমদি ওল মোইরাং ফুটবোল একাদেমি (অমোফা) মোইরাং শান্নখি।

SMART
TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE,ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX,X,XI &XII
CLASS START : 27th June ,11st JULY & 18th July 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN)
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI,KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COSHEM: MECI, COMET, XTRA EDGE,HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT
HL-B/7728/10/7-6/9(alt)

COMET SCHOOL
Changangei Ucheckon, Tulihal Airport, Imphal


EMPLOYMENT NOTICE
GIRLS HOSTEL FOR SPECIAL INTEGRATED COURSES (SIC) FOR COMET SCHOOL STUDENTS

Ref No. C-1/CS/07/2022 : - The COMET SCHOOL invites application on prescribed form from willing, hard working and efficient candidates for the following posts :-

| Sl. No. | Name of Posts | Educational Qualification | Age | No. of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Warden (Female) | Post Graduate Science | Below 50 | 1 |
| 2. | Asst. Warden (Female) | Graduate | Below 50 | 1 |
| 3. | Multi Tasking Staff (Female) | Matriculate | Below 40 | 2 |
| 4. | Security Guard (Female) | Matriculate | Below 40 | 2 |
| 5. | Cook (Female) | Matriculate | Below 40 | 2 |

Last Date of Submission of Application form :- 18/07/2022
Date of Interview :- 20/07/2022 at 10:30 am
For details plz. contact COMET office, Kelshamthong Top Leirak Maning, Airport Road Or COMET School, Changangei Uchekon, Tulihal Airport
Sd/- Principal
HL-B/7743/14,16

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 513**

GM Etienne Bacrot (2674) - GM Sarin Nihal (2620)
Capechecs Online Trophy Europe-Chess INT, 2020.10.25

1.Nf3 d5 2.e3 Nf6 3.c4 e6 4.b3 c5 5.Bb2 Nc6 6.cxd5 exd5 7.Be2 d4 8.exd4 cxd4 9.Bb5 Bd6 10.Qe2+ Be7 11.Nxd4 O-O 12.Bxc6 Bc5 13.Qc4 Qe7+ 14.Qe2 Qd6 15.Bxb7 Bxd4 16.Bxd4 Qxd4 17.Bxa8 Bg4 18.Bf3 Bxf3 19.gxf3 Qxa1 20.O-O Qxa2 21.Qc4 Rb8 22.Rc1 h6 23.Qa4 Qxb3 24.Qxa7 Re8 25.Nc3 Qb2 26.Rd1 Qc2 27.Qc7 Qd3 28.Qf4 Nh5 29.Qa4 Re6 30.Qa8+ Kh7 31.Kh1 Nf4 32.Qb7 Nh3 33.Qb1...

**QUESTION :**
Black to win

**Puzzle 512 Ans. :**
57. ...f4+ With a discovered check by the black rook. Opening the line from e6 to e5. 58. Kxf4 e5+ 59. dxe5 Blocking square e5. Rg4# Swallow's tail mate 0-1

HHG Academy
Excelling human Development
A CO-ED Hr. sec. school Affiliated to COHSEM No. 1/96/96

ADMISSION OPEN
FOR
Class XI Science 2022-23

Facilities:
1. 80% and Above- School sponsorship & Scholarship.
2. 70%-below 80% will get a concession of Rs.12,000/- (limited)
3. 60%- below 70% will get a concession of Rs. 6500/-
4. Students of single parents and marginalized family will get a concession of Rs.12000/-(limited)
5. 2 Years integrated course for NEET, JEE and NDA.
6. Separate Hostel for Boys and Girls.
7. School bus Service.

School Performance Record

| Pass Percentage | Year |
|---|---|
| 100% | 2017 |
| 100% | 2018 |
| 100% | 2019 |
| 100% | 2020 |
| 100% | 2021 |
| 100% | 2022 |

For Admission details contact: Office of the HHG Academy, Ghari Mamang Leikai near Emoinu Oil pump, Imphal-01
Phone: 8974783327/9383359473/6909613792 or log on website www.hhgacademy.in
HL-P/3291/11,12,13,14

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7634/28/6-18/7(alt)

LOAN AVAILABLE
1) Business Loan (Rs. 50,000 to 25 lakhs 12% P.a)
2) Housing / Home renovation Loan (upto 30 lakhs 12% P.a)
3) Machinery / 2/4 wheeler Loan
4) Electronics / Electrical Loan
5) Personal / Pension Loan
Sd/- L.G. Finance
Khagempalli, Imphal West
# 8731978490 / 9774495994
Branches :- Nambol, Thoubal, Kakching, Moirang and Samurou
HL-B/7700/22/7-19/8(alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com